# হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদসু ৭৯শুবা নীংতম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখি




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস):** লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা পাঙথোক্লখিবগুম ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদসু কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস কে সোমাশেকরনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরমগী মনুং চন্না পাঙ্গৈদা লৈবা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজগী বেন্দ প্লাটুন অমনা নেশনল এন্থেম শকখি।

থৌরম অসিদা কোর্ট অসিগী জষ্টিস এ গুনেশ্বর, মণিপুর জুদিশল একাদেমিগী দিরেক্টর জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লু, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চ্যেরমেন ব্রজবিহারি, হায় কোর্ট বার এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন কুমারজিৎ, ওল মণিপুর বার এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ বিমোলচন্দ্র, কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওজেস মুতুম অমসুং বারগী মেম্বরশিং, জুদিশল ওফিসরশিং, হায় কোর্ট রেজিষ্ট্রিগী ষ্টাফশিং অমসুং শক্লাইরবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না ১৬৪-বি এস এফকী কন্টিঞ্জেন্ট অমনা লৈবাক অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা রাষ্ট্রিয় সেল্যুট পীখি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ জষ্টিসনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা থৌনা ফবা ফ্রীদম ফাইটরশিংনা কথোকখিববু নীংশিংলদুনা মখোয়গী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

লোয়নন্না মীওই পূন্নমক্না কন্সটিট্যুশননা পীরিবা দেমোক্রেসি, জষ্টিস অমসুং অমত্তা ওইমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোনশিং ঙাক্না চৎপীনবা আপীল তৌখি। অকনবা খোঙজং অমদগী ফংখিবা লৈবাক অসিগী নীংতম্ববু ঙাক শেন্নবগীদমক অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা মরু ওই হায়রদুনা লৈবাক অসিবু তুংগী মীরোলগীদমক হেন্না মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহনগদবনি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না শরুক য়াখিবা পূন্নমক্কা অথুম-অহাও চামিন্নখিবগা লোয়নন্না লৈবাক অসিগীদমক চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা পুৱারীশিং নীংশিংমিন্নখি।

# তংদু-লৈতাদবা, নুংশিনদবা ১সুং ...

*লমায় ১গী মখা...* কে পি পব্লিকেশন্স, ইম্ফালনা শীন্দুনা মহাক মশানা ইবা 'মোংবা ইরানয়াই তম্না', 'মমা শিজ লৈশারিঙৈ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অনী অমসুং 'য়েন্নিংথা থুংলরে পান্মুবী' অমদি 'খৌরি য়ৌরেদো ইমাদি' হায়না মিংথোনবা লাইরিক মরি ফোঙবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

অইবনা হায়, ঙসিগী তংদু-লৈতাদ্রবা, মচি-মচিদা লান তৌনবা অদুগা অমগা-অমগা খঙনদবদগী কম্যুনেল হারমোনি মাঙখ্রবা মতমনি। উমং মৈ চাকপা, ঈশিং চাওবা, অৱা-অনানা থল্লবা মালেম ওইরে। পূন্নমকসি য়েংলুরগা মণিপুরী মীদিয়মদা 'খৌরি য়ৌরেদো ইমাদি' হায়বা শন্দ্রেম্বী চৈশ্রাদগী লৌরগা মমিং থোনবনি। মসিদা নত্তনা ঈং-চিকপা হঞ্জিল্লকখিগনি হায়বগী থাজবা, ঐখোয়গী নুমিৎ থোরকখিগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা য়েন্নিংথা হায়বসিনা সিম্বোল ওইরগা 'য়েন্নিংথা থুংলরে পান্মুবী' হায়না থোনবনি হায়খি।

য়ুমদা লৈরে লৈতাদবা, নুংঙাইতবা অমদি করিনো অমা ইৱাৎ ৱাৎপগী নুংঙাইতবা, য়ুম লৈতবা হোমলেস ওইবগী ৱাখলদা ফোঙদোকপা 'মোংবা ইরানয়াই তম্না' হায়দুনা মিংথোনবনি। খুন্নাই অসি মমাঙঙৈদদি কমদৌরম্বগে হায়না হংবদা নুংঙাই-য়াইফরম্মী হায়বগী মমি চাওনা লৈ। তংদু-লৈতানা নুংঙাই-য়াইফনা লৈশারিঙৈদা লৈরম্বদুগী শক্তম চিংশিল্লগা 'মমা শিজনা লৈশারিঙৈ' হায়দুনা ইথোকপনি। ঐহাক ইশাগী ওইনসু অমুক্তদা লাইরিক মরি ইদুনা ফোঙজবসি পুৱারী ওইরে হায়খি।

ইবগী লম্দা খরা থেংনা চঙজরকপা অমা ওইনা কুমজা ২০১০দগী ঙসি ফাওবদা লাইরিক তরা ফোঙজরে। চৎলিবা কুমজা অসিগী অরোইবদদি ইংলিস লোলদা অমুক ফোঙবা হৌরগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পুথোকচবনি হায়খি।

অমরোমদা, অইবগী 'নুংশি নাপ্পদা' হায়বা ৱারীমচাদগী দ্রামা ওইনা পুথোক্লগা সোইবমচা ইন্দ্রকুমারনা দিরেক্সন পীদুনা উৎখিবা প্লেগী মতাংদা ডা. টি ঐচ মুনিন্দ্রোনা কে রাধাকুমারগী ঙসিগী থৌরম অসি তোঙানবা অমনি হায়রদুনা লাইরিক ফোঙবা লোইশিল্লকপদা মহাক্কী ৱারীমচাদা য়ুম্ফম ওইবা দ্রামা অমা উৎলকপসিনা অয়েংবা অমদি অতাবশিংদা মহাউ অমা পীবা ঙম্মী। লাইরিকশিং অসিগী মহাউসু মীওইবনা নুংশিনসি হায়বনি হায়খি।

থৌরম অসিদা এম এল এ, এস কুঞ্জকেশোরবা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা প্রোফেসর নহাকপম অরুনানা ময়ায় তাংবল লৌরগা অইবা এল মেমোনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি মশামক্না ইবা শৈরেং লাইরিক অনী অমসুং ৱারেংগী লাইরিক অনী নোংমত্তদা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা কাংজম রাধাকুমার হৌখিবা চহী খরসিদা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিং ইদুনা মণিপুরগী অইবশিংগী মরক্তা অমা ওইরক্লিবনি।

অদুগা ঙসি মহাক্কী ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোক্তুনা দ্রামা ওইনা পুথোরক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তমখিবা সোইবমচা ইন্দ্রকুমারসু থিএটরগী লম্দা মশক নাইবা দিরেক্টর অমা ওইরকখিবদা নত্তনা অইবগী লম্দসু মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি অমসুং সাহিত্য কলা একাদেমি, ন্যু দেল্লীনসু তোঙান তোঙানবা মনাশিং পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা মীওইনি।

ঙসি মহাক্না দিরেক্সন পীদুনা পুথোকখিবা দ্রামা অসিনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং শুম্মৎখি।

# মাঙখিগদৌরবা চৎন-লোনচৎশিং খোমজিল্লগা পুথোকপা হায়বসি অফবনি : লাইশ্রম যাত্রা



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :** হান্না লৈরম্বদগী মাঙখিগদৌরবা চৎন-লোনচৎ ময়াম খোমজিল্লগা মীয়ামদা ফোঙদোকপা হায়বসি অইবগী অফবা থবক্নি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইরম্বা লাইশ্রম যাত্রানা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না হৌজিক্কী মতমদসু ফোঙলিবা লাইরিকশিং অসি কন্নানা পাবীরিবগে হায়বা ৱাহংসু হংখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী ওদিটোরিয়মদা পব্লিক লাইব্রেরি, ময়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা লাইশ্রম কুমারনা ইবা 'নীংশিংলকপা মীৎকুপ্তা' কৌবা নোভেল অমা ফোঙদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, হান্নদি লাইব্রেরিদা চঙলগা অঙাংশিংনা লাইরিক পারম্মী অমসুং কোমিক পারম্মী অদুবু হৌজিক্তি অঙাং কপ্পা ফাওবা মোবাইল ফোন পীরগা তোক্লবা মতমনি। মসিনা লাইরিক পাবগী হৈনবী মাঙহনখ্রে হায়খি।

থৌরম অসিদা পব্লিক লাইব্রেরি ময়াং ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম লনধোনি, চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলানচিংবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# 'তুরেল অমনবী কনবা লূপ' ...

*লমায় ১গী মখা...* অমনবী হায়না খঙনরিবা ঈশিংগী মরীল অসিনা ওইফম থোকপা পাক চাউবগী চাংদগী হন্থরকপদগী ওইহল্লকপনি হায়রদুনা তুরেল অমনবী কলহৌদ্রবদি চহী খুদিংগী ওইনা খুদক্কী ঈশিং ঈচাও মায়োক্লবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রদুনা থোংজু পার্ট ৱান অমদি টুগী তোঙান তোঙানবা ক্লব তরা হেন্না পূনশিন্দুনা 'তুরেল অমনবী কনবা লূপ' (থোংজু এরিয়া) শেমখ্রে। লূপ অসিগী থৌপুগদবশিং খনবগী মীফম অমা ঙসি ককৱা নামৈরাকপম লৈকায়গী দিভাইন ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিনা খন্নরবা মতুংদা সেবা ক্লবকী সেক্রেটরি নিঙোম্বম সনাজাওববু কনভিনর, খরিবম মাঙ্গিজাও, ৱাঙ্খেম ইবুংঙো, ময়েংবম হেমচন্দ্র অমদি অসেম সুনিলবু কো কনভিনরশিং ওইনা খনখ্রে হায়রি।

তুরেল অমনবীগী চপ চাবা পাক চাওবা খঙদোক্লবা মরী লৈনবশিংদা হায়জরবা মতুংদা করিগুম্বা লম খোপচিল্লম্বা য়াওরবদি তকথোক্লবা হোৎনরগনি হায়নসু কনভিনরশিংসিনা ফোঙদোকখ্রে।

থবক অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়বগা লোয়নন্না তুরেল অমনবী কন্ননবা পায়খৎলক্লিবা থবকশিংদা শৌগৎপীদুনা তুংদা মায়োক্লরক্কদবা ঈশিং ঈচাওদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোকহৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মখোয়না আপীল তৌখি।

# পীকখ্রবা মণিপুরগী ঈরাং ...

*লমায় ১গী মখা...* লেভেল এসে কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা লাম্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখিবনি।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএশন (আই এম এ) মণিপুর ব্রাঞ্চকী মেন হোলদা পাঙথোকখিবা মনা লাম্থোকপগী থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগুম্বা ইন্দিয়াগী পীকখ্রবা ষ্টেট অমদা থোকপা ঈরাং অসি মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদবা অমসুং হান্নগী পূন্সিদা হঞ্জিলহনবা ঙমদবা হায়বসি সেন্টরগী করি করম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈবনো হায়বদু হংনীংই হায়খি।

থৌরম অসিদা মণিপুরগী শক্লাইরবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা হৌজিক 'ইম্ফাল রিভিয়ু ওফ আর্টস এন্দ পোলিটিক্স' গী এদিটর ওইরিবা প্রদিপ ফাঞ্জৌবম, সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি অইবা সরতচান্দ থিয়াম অমসুং জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু) গী ওজা ডা. গুরুময়ুম অমরজিৎসু অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎফম...

*হান্নগী মখা...* খ্বাইরম্বন্দগী অনীশুবা কৈথেল ফিয়োনফমদা পোৎফম ফল্লক্লিবী নাগামপাল লাইময়ুম লৈরক্তগী হজারিময়ুম ওংবী অশালতানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অসিসু কান্নদ্রে। সেন্টর লৈঙাকসু কান্নদ্রে। অসি য়ৌনা ৱাবা হায়বসি কদাইদা লৈরমগদগে। ফীভমশিং অসি মায়োক্লরকপদা ঐখোয়সি অসিগুম্বা ফীভমদা লৈরম্ব্রা হায়না হংনীংলক্লে। হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎফম ফল্লিবীশিং অসি ৱাবনা খম থেংলবনি, মপান্থোংদা অৱাবা উৎথোক্লদবগী ৱানি।

ঐগী ওইনদি ফত্তবা মীদি ফত্তে হায়গনি। ইচা ওইরবসু, মীচা ওইরবসু ফৎত্রবদি ফৎত্রে। হৌজিকসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎফম ফল্লগা ইমুং পুগনি হায়বসিগী ৱাখল থাদোক্লরক্লবা মতমনি। কৈথেল ফল্লগা ইমুং পুদুনা ইচা-ইশু শেল্লিবনি হায়বা ৱাফমদু হৌজিক্তি ওইদ্রে। ৱাবনা পন্দোম লোল্লে।

মশাগী চহী ৬৫ রোম শুরবী ফিয়োনফম ফল্লিবী অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক ঐখোয়না য়োল্লিবসি ইয়োংনা শাবা ফি ঙাক্তনি। মসিগী মনুংদা ৱাঙ্খে ফি, ইন্নফি, শাড়ি, কটনগী ফৈজোম অমসুং কটনগী ফি মখলশিংসু য়াওরি। ফিরোলশিং অসি য়োন্দুনা কৈথেল ফল্লক্লিবসি চহী ৩০ হায়জিল্লক্লবনি অদুবু পোৎ য়োনবদা নহানৱাই মায়োক্লখিবা ফীভম অদুগা হৌজিক্কদি অদুক্কী মতিক খেন্নরে। হৌজিক্তি পোৎশিং য়াম্না হন্থরে।

তশেংনা হায়রবদি খূৎলামখাং কৌরক্তবা য়াওরে। মতম অমদদি ফি মচা অমত্তা ওইরবসু য়োন্দুনা খূৎলামখাং কৌদবা য়াওদে অদুবু হৌজিক্তি তাইওন্নরে। কৈথেল অসি হায়রুদুনা কান্নদ্রে, শলাক শারে হায়বা য়ারে। কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ লাক্লিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়না য়োল্লিবা পোৎ চৈশিং নোংমদা লুপা লিশীং ১৫গী মথক্তা য়োনবা ঙাক্তনি। লায়না লাইচৎ অদু মায়োক্লরম্বদগী অমুক ফীভম খরা ফগৎলক্তুনা কৈথেল অমুক হন্না কান্নরক্তুনা ফম্নরক্লবা মতুংদনা তমথীরবা লান অসি অমুক হন্না মায়োক্লরক্লে। হৌজিক কনামত্তনা পোৎ লৈবা লাক্ত্রে। অরৈবা মী লাক্ত্রবনিনা ঐখোয়গী পোৎ চৈশিং অসি কদাইদা য়োল্লগনি হায়নসু হংলকখি।

অদুগা পোৎফম ফল্লিবনি হায়দুনা ঐখোয়না কৈথেলশঙ অসিদা ফল্লিবসিসু কৈদৌরক্কদগে হায়না খনবদা পূক্নিং ৱাখল লৈতানা ফম্বা ঙমদ্রে। মফম অমদা ঈরাং অমা থোকপদা কৈথেল অসিদা পাউ অদুমক য়ৌরকই। (মথং-মথং)

# মপুরোইবনা মসজিদতগী হল্লকপদা দুকান...

*লমায় ১গী মখা...* অহম্মদকী লোয়নবী অসি মপুরোইবনা মসজিদতা চৎখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা অতোপ্পা মীওই অসিগা লোয়নন্না চৎমিন্নখিবদগী মফম খঙদ্রি। থৌদোক থোকখিবা নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবদা থিবদা ফংলক্তবদগী নুমিৎ অদুগী নোংয়াই পুং ১২ তারকপা অদুৱাইদগী মৈরা পায়বীশিংনা কৌসার এলিয়জ অকুবীগী য়ুমদা চৎতুনা পুং ৩ হেন্না নুপী অসিবু পুথোরক্লবা ঙাইখি অদুবু মখোয় অনীমক য়ুম অদুদা লৈরমদবদগী মথং নুমিৎকী অয়ুক্তা পোরোম্পাৎ পি এস অমসুং সাইবর ক্রাইম পি এসতা অইবা রিপোর্টশিং পীশিনখ্রে।

পুলিসকী মায়কৈদগীসু মখোয় অনী চৎমিন্নখি হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌরকপা লৈরে অদুবু ঙসি ফাওবদা লংলা লংজিন পুথোকপদি ঙমদ্রি। মরম অসিনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী মরী মখোঙ পুথোক্তুনা লৈকায় মীয়ামদা শিন্নবীয়ু নৎত্রবদি লৈকায়না লৌরকপা ৱারেপ্পা অরোইবা ৱারেপ ওইগনি। মসিদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক ইমুং মনুংনা পুগদবনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, মফম খঙদ্রিবা নুপী অসিগী মপুরোইবা সহিদ অহম্মদনা হায়, লক্সমিগা ঐহাক্কা লুহোংদুনা য়ুম্বানমিন্নরকপা চহী ৭ শুরক্লে। চহী ৪গা থা ৮ শুরবা ইচানুপা অমসু লৈরে। ইৱান্নিগী মরক্তা নুংঙাইনদবা অমদি খৎন-চৈনবা লৈখিদে। মহাক্না চেনখি হায়রিবা মীওই অসি দুকানগী পোৎ লৌথোক লৌশিন তৌনবদগী ঐখোয়গী য়ুমদা তোয়না লাকপনি। অসুম্না মখোয় অনী মরী লৈনরমগনি হায়বদি হান্না খঙদে। পীক্লিবা ইচা অমদি ইমুংগী য়েংবীরগা মীয়াম্না মখোয় অনীবু ফংনবা থিবদা মতেং পাংবীয়ু। পুলিস অমসুং সাইবর ক্রাইমগী মায়কৈদগীসু মখোয় অনীবু পুথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মণিপুরগী মীয়াম্না চহী ২০ হেন্না মশানা...

*লমায় ১গী মখা...* ফোঙদোকপা ঙমজদবনা মপান লমগী মীনা ইবীবগী ফীভমদা লৈরি।

ঐখোয়গী মরমদা মীনা ইবা, মীনা ঙাওবা ঙাক্তা ওইনা তৌরে। হন্দক থোক্লিবা ঈৱাংসিদা মীতৈশিং লান্না উবীরে হায়বনচিংবগী ৱাফম লাক্লিবসিদা ঐখোয়না ফাওরিবা অমদি থেংনরিবা কয়া অসি ঐখোয় ইশানা মপূং ফানা তম্বা হৈজদবগী চৈথেং অমনি। ইন্দিয়াগী ৱারেপ লৌগদৌরিব্রা নৎত্রগা পোলিটিকেল ক্লাশ অমদি ব্যুরোক্রেট ময়াম অসিনা ঙাওবদু ঙাক্তা উরগা-তারগা ঐখোয়দা লান্না উদুনা লৈরে হায়বগী ৱাফম লাক্লিবনি। মরম অসিনা ঙসিদগী চহী খরগী মতুংদদি ঐখোয়দা ফাওরিবা অমদি থেংনরিবা কয়াগী ঐখোয়গী ৱারী অদু মপূং ফানা অসিনি হায়বদু খূৎ থিন্দুনা তাকপা ঙম্বা মীরোল অমা শেমগৎপগী পান্দমদা এসে কম্পিটিশন অসি পাঙথোকখিবনি।

এম পি বিমোলনা মখা তানা হায়, এদ্যুকেশন হায়বসি খূৎলায় মখল অমনি অদুবু চুম্না থবক অমা ফংনবগী নত্তবদা মরীক চুম্না পাউদম্বা ঙম্বা মওংগী এদ্যুকেশন অদু লৈহৌদবদগী ঙসি ঐখোয়না মীনা ঙাওবা ঙাক্তা তাদুনা লৈরে হায়রিবনি। ঐখোয়গী ওইবা ৱাখল নৎত্রগা মীৎয়েং অদু মরীক চুম্না পার্লিয়ামেন্ট অমদি পব্লিক স্পেসতা খঙহনবগী তঙাইফদবা কয়া লাক্লি। মসি খক্তা নত্তনা লৈঙাক্লোনগী ৱারেপ কয়া লৌরিবা ব্যুরোক্রেসিদা ঐখোয়গী মী কয়া য়াওরিবগে হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকখ্রিবা এসে কম্পিটিশন অসিদা মকোক মথং তারকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা লাম্থোকখিবদা নত্তনা এম পি মশামক্না স্পোন্সর তৌদুনা দেল্লীগী পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পুরগা পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিংশিং য়েংহল্লগনি হায়নসু ঙসিগী থৌরম অসিদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 102.370580 |
| US Dollar | 87.513794 |
| British Pound | 118.648338 |
| Australian Dollar | 57.129443 |
| Chinese Yuan Renminbi | 12.182364 |
| Japanese Yen | 0.595140 |
| Malaysian Ringgit | 20.773712 |
| Singapore Dollar | 68.214453 |
| South Korean Won | 0.063003 |
| Saudi Arabian Riyal | 23.337012 |
| Thai Baht | 2.697032 |

**'করপসন' গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাং-পাং তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

**GAS NEWS**

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 22/06/2025
**BOOKING UPTO: 28/06/2025**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
(Consumer singna E-KYC toubinaba ningshingjari)
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 31/07/25**
VALID FROM 30/07/25
TIME: 09 AM TO 12 PM
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**HL Poll**

Q : Manipuri khunaida nupisinggi maraktagi kharana phattaba lamchat chatlaklibasi lairik-laisugi mangal ningthina phangdabadagi oigadra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu


**NGARANG GI RESULT**

Q : UNCna FMR amasung Border Fencinggi matangda demand tourakliba ashina Manipurda Ing-Tappa purakpada khurou thanggadra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- হাই ময়াম ঙসিদি যণশা মুকবাং তৌজরক্লে।



- ঐসু য়াওগে ইবেম্মা।

# নহাশিংনা পোলিটিক্স মোৎলে হায়দুনা ...

*লমায় ১গী মখা...* এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা য়ুথ কনক্লেভ অমসুং পার্টি অসিগী মণিপুরনা পুথোকপা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা রিলিজ তৌবগী থৌরমদা নেশনল ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অসিনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পোলিটিক্স অসি ঐখোয়গী নত্তে হায়দুনা লাপ্না লৈথোক্লোইদবনি। পোলিটিক্সতা অফবা লুচিংবা চঙই। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিং ওইরিবা নহাশিংদা পোলিটিক্স য়াওহন্নবা পূক্নিং থৌগৎপা মতম ওইরে।

মণিপুরগী কলচরেল হেরিটেজ অমদি শান্ন-খোৎনবদা থোইদোক হেন্দোক্না শীংথানবা ষ্টেট ওইদুনা এচিভমেন্ট কয়া ফংলকপবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, মণিপুরনা হীরম অনীসিদা নোর্থ ইষ্ট খক্তগী নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা মীংচৎ কয়া পুরকপা ঙম্লি। মণিপুরগী ফজরবা মশক অসি খেন্নবা অমদি নুংঙাইনদবা খরনা মাঙহনগুমসি। ষ্টেট অসিগী নহাশিংনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা থবক ফংদবগী অৱাবা, অঙৈং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা, মালেমগী ওইনা মীশিং হেনগৎলকপনা গ্লোবেল সিক্যুরিটিগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি কোক্লবা মালেমগী মীয়াম পূন্নমক অসি য়ুম অমদা পূন্না লৈমিন্নবনি খন্দুনা নহাশিংনা হেন্না থৌদাং লৌবা মতম ওইরে।

এন পি পি য়ুথ ফ্রন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টেট অসিগী নহাশিংবু পূনশিন্নবা লমদম অসিদা অমসুং লৈবাক অসিদা হেন্না ফবা পোলিটিক্স লৈহন্নবা নহাশিংনা থৌদাং লৌবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোরক্লিবসি থাগৎনীংঙাইনি। পার্টি অসিনা মণিপুর অমসুং লৈবাক অসিগী অফবা তুংগী ফীভম অমা ওইহন্নবা নহাশিং শেমগৎপা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরমদা পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমার, এম এল এশিংদা টি ঐচ শান্তি অমসুং এম রামেশ্বর, এন পি ৱাই এফকী নেশনল প্রসিদেন্ট নিকি ঙোখলো, নেশনল পিপলস রিমেন্স ফ্রন্টগী প্রসিদেন্ট এন্যুখামিং, পার্টি অসিগী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেশন) আর কে রামেশ্বর, জেনরেল সেক্রেটরি (এ দি এম) রুসেল হৈস্লাম, জেনরেল সেক্রেটরি (আই টি এন্দ ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশন) এল জয়ানন্দ, এন পি ৱাই এফ মণিপুরগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট এন বিদ্যারানি য়াওনা পার্টি অসিগী অমসুং য়ুথ ফ্রন্টকী থৌপুবশিং অমদি মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না পার্টিগী নেশনল ৱার্কিং প্রসিদেন্টনা মণিপুর য়ুথ লিদরশিপ (ফেলোসিপ) প্রোগ্রাম অমসু থবক ওইনা পায়খৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

# কুম্বী কোলেজগী ৱাথোকশিংনা হায় কোর্টতা ৱায়েনবীয়ু হায়জরকপা...

*লমায় ১গী মখা...* কোর্ট অসিনা কন্টেম্পট কেস (সিভিল) নম্বর ১০৮ ওফ ২০২৫ ওইনা লৌখৎখ্রে। কোর্টনা ৱাকৎ অসি লৌখৎলদুনা থা অসিগী ১২দা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল নাওরেম জেক্সননা লেপখি।

পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চতা সবমিট তৌরকখিবা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট মরি অসিদা চয়োল অহুমগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে। অদুগা কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিসশিং অদু রেস্পোন্দেন্ট মশা-মশাদা ফংহন্নবা স্পীদ পোষ্ট সর্ভিস নৎত্রগা দষ্টি সর্ভিসকী খূথাংদা য়ৌহন্নবসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

দিরেক্সন অসিগী মথক্তা কোর্টকী মায়কৈদগী ইস্যু তৌরিবা নোটিসশিং অসি চয়োল অমগী মনুংদা য়ৌহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়নন্না থবক্তা ওন্থোকখি হায়বগী 'প্রুফ ওফ সর্ভিস' উৎপা এফিদেভিট অমসু কোর্টতা সবমিট তৌরক্লবা খঙহনখি অদুগা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল মথং থাগী ১২দা চথনবা লেপখি।

কন্টেম্পট কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা কুম্বী কোলেজনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনি হায়রিবা এল গোপাল হায়রিবা মীওই অসি এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্রনা থা ৬কী ওইনা ফেব্রুৱারী ৩, ২০২৫দা পীবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না খনখিবনি।

অদুম ওইনমক মীওই অসিদি চহী ৬৫ হেল্লবা মীওইনি অদুগা এস প্রেমচন্দ্রনা এল গোপালবু কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ওইনা ইস্যু তৌখিবা ওর্দর অদুসু মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেশনগী দিরেক্টরগী 'এপ্রুভেল' য়াওদে অমসুং থৌওং অদু ষ্টেট অসিদা চৎনহল্লক্লিবা মণিপুর এদ্যুকেশন কোদ, ১৯৮২না পীরিবা প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনরগনি হায়নসু ৱাকৎলক্লি।

এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অদু কোলেজ অসিগী লৈত্রবা গভর্নিং বোদিনা জন্যুৱারী ৩১, ২০২৫দা পাঙথোকখিবা মীফম অমগী মতুংইন্ননি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেশন লোয়শঙগী দিরেক্টরগী অয়াবা য়াওদনা অমসুং মণিপুর এদ্যুকেশন কোদ, ১৯৮২গী প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনরগা এল গোপালবু কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা হায় কোর্ট অসিদা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর ১১২ ওফ ২০২৫ ফাইল তৌরক্তুনা চৎনহনবীদনবা হায়জখিবনি হায়রি।

ৱাকৎ অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা ৱায়েল চথরবা মতুং মমাঙ থা (জুলাই ৩১, ২০২৫) দা কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অমদা এস প্রেমচন্দ্রনা এল গোপালবু কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবগী ইস্যু তৌখিবা ওর্দর অদু ক্কাশ তৌরে অমসুং চৎনহন্দ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক এল গোপাল হায়রিবা মীওই অসিনা হায় কোর্টনা মহাক্কী প্রিন্সিপাল ওইবগী ওর্দর অদু চৎনহন্দ্রে হায়রবা ফাওবদা ফম অসিগী থবক থৌরমশিংবু কোর্টকী ওর্দরগী মায়োক্তা অদুমক চথদুনা লৈরে হায়নসু ৱাকৎখি হায়রি।

মরম অসিনা কোর্টনা পীবা ওর্দর থবক্তা ওন্থোক্তবগীদমক কন্টেম্পট কেস অসি রেস্পোন্দেন্ট মরি অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকপনি হায়খি।

অমরোমদা, কুম্বী কোলেজদা থোকহল্লক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী চেয়রমেন এম মঙ্গিনা গভর্ণরদা থা অসিগী ১৪দা পূন্না লমায় ৩ পানবা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা এম এল এ, এস প্রেমচন্দ্রনা চথরক্লিবা ইল্লিগেল এক্টিভিটিশিংগী মায়োক্তা পন্থদনা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়দুনা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখ্রে হায়রি।

চেরোল অসি নুমিৎতুমক্তদা রাজ ভবনদা লৈবা গভর্ণর সেক্রেটরিএটনসু ওফিশল ওইনা রিসিভ তৌখ্রে হায়রি।

# মণিপুর লৈঙাক্তি 'লায়ররবী ইমানি' হায়বদুগী ফীভমদা অদুমক ...

*লমায় ১গী মখা...* মহাক্কী মমিং য়াওরকপদা হরাওবনা খম থেংলবা মিজোরাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু লুপা লাখ ১০গী শেনফম পীরগনি হায়দুনা লাউথোরক্তুনা নহা ওইরিবা কেপ্তেন অসিবু পূক্নিং থৌগৎখি।

অদুবু মণিপুরগী ওইনদি 'বির চক্র' ফংলগদবা রিজৱান মালিককীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবদা থৌনা ফবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী স্কৱার্দন লিদর অসিগীদমক ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। চুম্না খক্কী এম এল এ অমা য়াওনা লন্নাই লূপ খরনা হরাওবা ফোঙদোক্লরকপা খক্তা ঙাইরি।

অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পাউচে অসিনা রিজৱান মালিককী অপোকপা হাজি হাফিজউদ্দিন খান (৭০)গা টেলিফোনদা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, ঐহাক্কী ইচা পুন্না ৪নি। মসিগী মনুংদা ইচানুপা অহুম অমসুং ইচানুপী অমনি। ইচানুপা অহুমগী মনুংদা রিজৱান মালিক নুপাদা ইতোন তোনবা ইচানুপানি। মহাক কেজিদগী ক্লাস ৱান ফাওবা এ জলিন হায় স্কুলদা মহৈ-মশিং তম্বগী লন্বীদা খোঙদারকখি। ক্লাস টুদগী ফাইভ ফাওবা চীংমৈরোংগী দোন বোস্কো স্কুলদা তম্লক্লগা ক্লাস সিক্সতগী সৈনিক স্কুল ইম্ফালদা তম্লকখিবনি। স্কুল অসিদা ক্লাস ত্রেলভ পাস তৌরবা মতুংদা নেশনল দিফেন্স একাদেমি (এন দি এ) দা মখা তানা গ্রেজুএশনগী চহী অহুমগী কোর্স মায় পাক্লা তমদুনা পাস তৌখি।

অদুগা কুমজা ২০১৪দা হায়দরবাদতা লৈবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী একাদেমিদা মখা তানা তমথরক্লবা মতুংদা কুমজা ২০১৫দা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ত্রেনিং পাস তৌরবা মতুংদা ইহান হান্না ফ্লায়িং ওফিসর ওইনা জোইন তৌখি। অদুগা চহী অনী শুরকপা কুমজা ২০১৭তা ফ্লাইট লেফটিনেন্টতা প্রমোশন ফংলগা মতুং কুমজা ২০২১দা স্কৱার্দন লিদর ওইনা প্রমোশন ফংখিবনি। মথংদা মহাকপু প্রমোশন পীবিরক্লবদি 'ৱিং কম্যান্দর' ওইনা পীরক্কদবনি হায়রি।

অদুবু রিজৱান মালিককী হৌজিক পোষ্টিং মফম কদাইদা লৈরিবগে হংলুবদদি সিক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহল্লকপনা মহাক্কী পোষ্টিংগী মফম হায়দোকপা নুংঙাইত্রে। অদুগা ওগষ্ট ১৫দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা দিফেন্স মিনিষ্টরগা লোয়নন্না শরুক য়ামিন্নখিবা অমসুং ফোটো নম্মীন্নখি হায়রবসু সিক্যুরিটিগী ওইবা মরমশিংদগী ফোটোশিং অদু ফোঙদোকপা নুংঙাইত্রে। অদুগা মহাক্কী অপোকপী মমা অলহাজান ৱাহিদা রহমননা হাউস ৱাইফ ওইজরবসু রিজৱান মালিককী অপোকপা ওইরিবা হাজি হাফিজউদ্দিন খানদি মণিপুর লৈঙাক্কী হোটিলকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেশন লোয়শঙদগী কুমজা ২০১৬তগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা পোত্থারকখিবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা রিজৱান মালিক ময়ুম পাল্লব্রা হংলুবদা মহাক্কী অপোকপনা হায়, মহাক কুমজা ২০২০দগী মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মায়োক্লরকপা হৌরক্লিঙৈ মনুংদা ময়ুম পাল্লে। হৌজিক থা ৭ শুরক্লবা ইশুনুপা অমা ফংজরে। ইমৌনুপীসু কৈখুদগীনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, মিজোরাম লৈঙাক্না কেপ্তেন লালরিনোমা সাইলোদা 'কির্তি চক্র' পীরগনি হায়না লাউথোকখিবগা পন্থদনা মিজোরাম লৈঙাক্লসু মহাক্না লৈবাক্কীদমক মথৌদা পূক্নিং চঙদুনা কথোকখিবগা লোয়নন্না মথৌ পাঙথোকখিবা অদুবু শকখঙদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা লুপা লাখ ১০গী শেনফম মনা ওইনা পীরগনি লাউথোকখ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি রিজৱান মালিককী মতাংদা ঙসি নুমিদাং ফাওবদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি।

**PHD Degree Awarded**



We are immensely proud to annouce that Dr. Albert Ningombam of Thoubal Ningombam, Mayai Leirak has been conferred the Doctor of Philosophy (Ph. D.) in Political Science for his outstanding research thesis titled : "The Political Impact of Agriculture Intelligence on Global Governances."

He is the beloved son of Ningombam Arjoy Singh and Ningombam Roma Devi and has successfully completed his doctoral research under the valued supervision of Prof. Dr. Manish Chaudhary, Jiwaji University, Gwalior.

May this remarkable achievement be a stepping stone towards greater contributions in the field of Political Science.

With warmest wishes and blessings
**From your proud family and friends**

HL-P/3179/18